# সেভেন এ সাইদ মেন'স ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্টতা এ ৱাই দি সি লমশাং অমসুং দব্লিয়ু এফ সি টিম বি মোইরাংখোম সেমি ফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১২ ঃ

কছার রোদ এঠলেটিক য়ুনিয়ন (ক্রাও) সগোলবন্দ খম্নাম বজারনা শিন্দুনা ক্লব অসিগী হোকিগ্রাউন্দদা ঙরাংদগী চথরিবা অহানবা সেভেন এ সাইদ মেন'স ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৫ গী ঙসিদগী ক্বার্টর ফাইনেল মেচ হৌখিবগা লোয়ননা এ ৱাই দি সি লমশাং অমসুং দব্লিয়ু এফ সি টিম বি সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।



তোঙান তোঙানবা টিম ১৫ না গ্রুপ ৪ দা শরুক য়াদুনা হৌখিবা তাং ১ দগী চথরক্লিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা এ ৱাই দি সি লমশাংনা ৱাই এফ সি টিম বি তোংব্রম লৈকাই গোল ১০-১ দা মায়থিবা পীরম্লগা এ ৱাই দি সি লমশাং সেমি ফাইনেল চঙখিবনি।

গ্রুপ এগী ৱিন্নর ওইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙলকখিবা এ ৱাই দি সি লমশাংগী শান্নরোইশিং অদুনা য়াম্না হৈশিংনা শান্নদুনা মেচকী মতম অয়াম্বদা বোল পায়দুনা ওপোনেন্ট টিমগী মাইকৈদা অকনবা এটেক কয়া চথখি। মেচ অসিদা মায়থিহৌরবা ৱাই এফ সি টিম বি তোংব্রম লৈকাই গ্রুপ সিগী রন্নর ওইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙলকখিবনি অদুবু ঙসি এ ৱাই দি সি লমশাংগী মখুত্তা মায়থিদুনা টুর্নামেন্ট অসিদগী নিংবা কায়না লৈহৌরে।

ঙসি শান্নখিবা মেচ অদুদা মায় পাল্লবা এ ৱাই দি সি লমশাংগী শান্নরোইশিংগী মনুংদা য়াম্না মরু ওইবা শান্নরোই ওইরিবা সেমিওনা গোল তরুক মেচকী ৪, ৬, ১৬, ২৭, ৩০ অমসুং ৩২ শুবা মিনিটতা চন্দুনা টিমগী মায় পাকপদা চাউনা মতেং পাংখি।

টিমদুগী শান্নরোই হোবসননা গোল অনীমেচকী ১৯, ২৩ অমসুং ২৪ শুবা মিনিটতা চনখি। অদুগা দিমনা গোল অমা মেচকী ১৪ শুবা মিনিটতা চনখি। মেচ মায়থিহৌরবা ৱাই এফ সি তোংব্রম লৈকাইগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু গাইপুলানা মেচকী ১৪ শুবা মিনিটতা চনখি।

ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা দব্লিয়ু এফ সি টিম বি মোইরাংখোম্না দব্লিয়ু এফ সি টিম এ মোইরাংখোম গোল ৩-২ দা মায়থিবা পীরম্লগা দব্লিয়ু এফ সি টিম বি মোইরাংখোম সেমি ফাইনেল চঙখিবনি। মায় পাল্লবা দব্লিয়ু এফ সি টিম বি মোইরাংখোম গ্রুপ দিগী ৱিন্নর ওইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙলকখিবনি অদুগা মেচ মায়থিদুনা টুর্নামেন্ট অসিদগী লৈহৌরবা দব্লিয়ু এফ সি টিম এ মোইরাংখোম গ্রুপ বিগী ৱিন্নর ওইদুনা ক্বার্টরফাইনেল চঙলকখিবনি।

মেচ অদুদা মায়কৈ অনীমক্কী শান্নরোইশিংনা য়াম্না কম্পিটিটিভ ওইনা শান্নখিবনা অমনা অমবু লাকশিনবা ঙম্নখিদে। মায়কৈ অনীমক্না টিম টিমগী গোল ওইবা য়াবা খুদোংচাবা কয়া ফংনখি।

মেচ অদুদা মায় পাল্লবা দব্লিয়ু এফ সি টিম বি মোইরাংখোমগী ইনাওনা গোল অনী মেচকী ২৩ অমসুং ২৭ শুবা মিনিটতা চনখি। বিপিন্না গোল অমা মেচকী ৪৬ শুবা মিনিটতা চনখি। মেচ মায়থিহৌরবা দব্লিয়ু এফ সি টিম এ মোইরাংখোমগী অহানবা গোল সনাতোম্বনা মেচকী ১২ শুবা মিনিটতা অদুগা প্রিটম্না টিমদুগী অনীশুবা গোল মেচকী ৪২ শুবা মিনিটতা চনখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা ওইনা হয়েং অহুমশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা আর এফ সি টিম বি খম্নাম বজার অমসুং সি আর এফ সি রামজি খুল অনীনা শান্নগনি। অনীশুবা মেচ নুংথিল পুং ৩.৩০ তাবা মতমদা আর এফ সি টিম এ খম্নাম লৈরক অমসুং এম আই এস পাৎশোই অনীনা শান্নরগনি।

## কেম্প পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, জুন ১২ ঃ মথঙথাগী ১১ দগী ১৭ ফাওবা সাউথ অফ্রিকাগী কেপ টাউন্দদা পাঙথোক্কদৌরিবা কম্মনৱেল্থ ফেন্সিং চেম্পিয়নশিপ ২০১৫-১৬ গীদমক্তা মণিপুরগী ফেন্সরশিংগী ওইবা নন রেসিদেন্সিএল কোচিং কেম্প অমা থা অসিগী ১৫ দগী পাঙথোক্লগনি হায়রি।

মণিপুর ফেন্সিং এসোসিএশন্না শিন্দুনা পাঙথোক্কদৌরিবা নন রেসিদেন্সিএল কোচিং কেম্প অসিদা শরুক য়াগদবা মরী লৈনবা ফেন্সরশিংনা এসোসিএশনগী সেক্রেটরি দব্লিয়ু রঞ্জিৎতা থা অসিগী ১৫ গী অয়ুক পুং ৬ তাবা মতমদা খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা লাক্তুনা রিপোর্ট তৌগদবনি। কোচিং কেম্পনা নুমিৎ অসিগী অয়ুক পুং ৬.১৫ চৎপা মতমদা পাঙথোক্কনি।

## চেম্পিয়নশিপ পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, জুন ১১ ঃ থা অসিগী ২৬ তগী ২৮ ফাওবা মঙাশুবা ওপন ষ্টেট লেভেল জিট কুনে-দো চেম্পিয়নশিপ পাঙথোক্লগনি। মসিদা খনগৎলবা শান্নরোইশিংনা জুলাই ২৪ দগী ২৮ ফাওবা পোন্দিচারিদা পাঙথোক্কদৌরিবা অনীশুবা ষ্টুদেন্টস নেশনেল ওলেম্পিক গেমস অমসুং জিট কুনে-দো নেশনেল চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়াবা ফংগনি। এসোসিয়েশন অসিদা এফিলিয়েট তৌরবা দিষ্ট্রিক্ট য়ুনিটশিং/ এসোসিএশনশিং অমদি ইন্সটিট্যুটশিংনা জিট কুনে-দো এসোসিএশন ওফ মণিপুরগী সেক্রেটরিশিংদগী অকুপ্পা মরোল খঙবীবা য়াগনি হায়রি।

# ইবোয়াইমা, পুন্যাবতি কাং টুর্নামেন্টতা ৱাঙ্গৈই কেন্দ্র সেমি ফাইনেল চঙখ্রে




ইম্ফাল, জুন ১২ ঃ

ব্রজনাথ কাং এসোসিএশন্না শিন্দুনা নেপ্রা মেঞ্জোরদা লৈবা ব্রজনাথ কাংশঙদা টিম ১৩ না গ্রুপ ৪ দা শরুক য়াদুনা চথরিবা মরিশুবা মংশাতাবম ইবোয়াইমা অমসুং পুন্যাবতি মেমোরিএল লীগ কম নোক আউট কেন্দ্র ৱাইজ কাং টুর্নামেন্ট ২০১৫ গী ক্বার্টর ফাইনেল মেচশিং ঙসিদগী শান্নবা হৌখিবগা লোয়ননা অহানবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা ৱাঙ্গৈই কেন্দ্র কাংখুৎ মায় পাক্তুনা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।

লমদমসিগী তোঙান তোঙানবা মফমদগী লাকপা কাংখুৎ ১৩ না গ্রুপ মরিদা শরুক য়াদুনা চথরিবা চহী ৫০ দগী ৬০ ফাওবগী মনুংগী ওইবা কাং টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অদুদা ৱাঙ্গৈই কেন্দ্র কাংখুৎনা খুন্দ্রাকপম কেন্দ্র কাংখুৎ পাঞ্জল ২৯-১৪ দা মায়থিবা পীদুনা ৱাঙ্গৈই কেন্দ্র কাংখুৎ সেমি ফাইনেল চঙবা অহানবা টিম ওইখ্রে।

মেচ অসিদা মায়থিহৌরবা খুন্দ্রাকপম কেন্দ্র কাংখুৎ টুর্নামেন্ট অসিদগী নীংবা কায়না লৈহৌরে। টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা ওইনা হয়েং অনীশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ শিংজমৈ কেন্দ্র কাংখুৎ অমসুং থোংজু কেন্দ্র কাংখুৎ অনীনা শান্নরগনি।

# ইম্ফাল ৱেষ্টকী ইন্টর ক্লব ট্রান্সফরগী মরিনি চনবা নুমিত্তা শান্নরোই ১৩ না এপ্লাই তৌখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১২ ঃ

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএশনগী ইন্টর ক্লব প্লেয়র ট্রান্সফরগী ঙসি মরিনি চনবা নুমিত্তা শান্নরোই ১৩ না ট্রান্সফরগীদমক এপ্লাই তৌখিবগা লোয়ননা পুন্না শান্নরোই ৫৮ শুখ্রে।

ঙসি ট্রান্সফরগীদমক এপ্লাই তৌখ্রবা শান্নরোইশিং অসিগী মনুংদা লমদমসিগী থোইদোক হেন্দোক্না মমিং লৈরবা টিম ওইরিবা নিশা থাংমৈবন্দ, ট্রাও ক্বাকৈথেল, এস এস য়ু শিংজমৈ, য়ঙ ফিজিক য়ুনিয়ন ললাম্বুং মখোং, ইবসা, ৱাই দব্লিয়ু সি লংথবাল অমসুং ৱাই এ সি য়াইস্কুল য়াওরি। ইন্টর ক্লব প্লেয়র ট্রান্সফর অসিগী ঙসি মরিনি চনবা নুমিত্তা ট্রান্সফরগীদমক চেপীখৎখিবা শান্নরোইশিং অদুদি কে কে ৱাই দি এদগী এস সঙ্করনা ৱাই দব্লিয়ু সি লংথবালদা, এস সি কেদগী ও অর্নোল্ডনা ৱাই দি ওদা, ৱাই এ সিগী এস সিভাসানা ৱাই দব্লিয়ু সি লংথবালদা, এস দি সিগী এন রোসন্না ৱাই দব্লিয়ু সি লংথবালদা, নিশাগী দব্লিয়ু অরুনকুমারনা য়ঙ ফিজিক য়ুনিয়ন্দা, ট্রাওগী বি রোমিওনা য়ঙ ফিজিক য়ুনিয়ন্দা, সাই আর সিগী এল জেকোপনা ৱাই দব্লিয়ু সি মালোমদা, এস এস য়ুগী কে ঐচ ওকেন্না সগোলবন্দ য়ুনাইটেদতা, নিশাগী এস এন্থোনিনা য়ঙ ফিজিক য়ুনিয়ন্দা, য়ঙ ফিজিক য়ুনিয়নগী দিসিঙম গাংমৈনা সগোলবন্দ য়ুনাইটেদতা, ট্রাওগী আর কে অনিলনা সগোলবন্দ য়ুনাইটেদতা, ইপসাগী এস রঘুমনি অমসুং আর কে রোসন্না ৱাই এ সিদা ট্রান্সফরগীদমক এপ্লাই তৌখ্রে।

# ইম্ফাল ইষ্টকী ইন্টর ক্লব ট্রান্সফরগী মরিনি চনবা নুমিত্তা শান্নরোই ১৭ না এপ্লাই তৌখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১০ ঃ

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএশনগী ইন্টর ক্লব প্লেয়র ট্রান্সফরগী ঙসি মরিনি চনবা নুমিত্তা শান্নরোই ১৭ না ট্রান্সফরগীদমক এপ্লাই তৌখিবগা লোয়ননা পুন্না শান্নরোই ৬৭ না ট্রান্সফর তৌখ্রে।

ঙসি মরিনি চনবা নুমিত্তা ট্রান্সফরগীদমক এপ্লাই তৌখ্রবা শান্নরোই ১৭ অসিগী মনুংদা লমদমসিগী মমিং লৈরবা টিম সিটিজেন ক্লব, নেরোকা, ঈ এস য়ু অমসুং এইমনচিংবাশিং য়াওরি।

ঙসি ট্রান্সফর তৌখ্রবা শান্নরোইশিং অদুদি নেরোকাদগী পালমৈ লনরাইলুংনা নিবসোদা, নেরোকাগী ৱাই জেকিনা এস এ কেদা, য়ু পি এস এগী টি রিসিকান্তনা এস এ কেদা, কে আই ৱাই সিগী কে জেমসন্না এস এ কেদা, এস এস সি সেক্তাগী থৌদাম রবিনানা ঈ এস য়ুদা, এস এ কেগী হবিব শাহনা পি ৱাই এদা, এস ৱাই দি ওগী খুল্লাকপম ইমরান্না পি ৱাই এদা, নিবসো কৈবিগী এন জি বুঙোনা পি ৱাই এদা, দোককী কে ঐচ সোমোরজিৎনা পি ৱাই এদা, এস এস সি পুখাওগী এম দি অবদুল লটিবনা পি ৱাই এদা, এস দব্লিয়ু সিগী সেরাম চন্দ্রকুমারনা ঈ এস য়ুদা, এস দব্লিয়ু সিগী কে ঐচ অষ্ট্রেলিয়ানা ঈ এস য়ুদা, এম ৱাই সিগী চবুংবম সিনকিনা ঈ এস য়ুদা, নেসুগী দব্লিয়ু ওলেনজিৎনা এইমদা, ৱাই ও এস সিগী দব্লিয়ু ধননা নিবসোদা, পি ৱাই পি সিগী এ নোংপোকঙানবনা নিবসোদা, ৱাই ও এস সিগী লাললিয়ান মোই সুন্তাক্না ঈ এস য়ুদা ট্রান্সফরগীদমক এপ্লাই তৌখ্রে।

# ইম্ফাল ৱেষ্ট সুবর্টো মুখর্জি ফুটবোল টুর্নামেন্ট ঙসিদগী হৌরগনি

ইম্ফাল, জুন ১২ ঃ

দিষ্ট্রিক্ট য়ুঠ এফেয়রস এন্দ স্পোর্টস ওফিস (দি ৱাই এ এস ও) ইম্ফাল ইষ্টনা শিন্দুনা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল সুবর্টো মুখর্জি ফুটবোল টুর্নামেন্ট হয়েংদগী খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা চথবা হৌরগনি।

নুমিৎ ৭ নি চুপ্না চত্থগদৌরিবা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল সুবর্টো মুখর্জি ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসি নুপামচাগী চহী ১৪ অমসুং ১৭ মখাদা অদুগা নুপীগীনা চহী ১৭ মখাগী কাঙলুপ্তা পাঙথোক্কনি। দিষ্ট্রিক্ট লেভেল সুবর্টো মুখর্জি ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিদা হয়েং নুপীমচাগী টিম মরিনা শরুক য়াদুনা চত্থবা হৌরগনি।

শরুক য়ারিবা টিমশিং অদুদি কৈবি হায়স্কুল, অন্দ্রো হায়স্কুল, পোইরৌ খোংজিল হায়স্কুল অমসুং লমলাই হায়স্কুলনি। হয়েং অহৌবা মেচ অয়ুক পুং ৮ তাবা মতমদা কৈবিহায়স্কুল অমসুং অন্দ্রো হায়স্কুলগা শান্নরগনি। অনীশুবা মেচ অয়ুক পুং ৯.৩০ তাবা মতমদা পোইরৌ খোংজিল অমসুং লমলাই হায়স্কুলগা শান্নরগনি।

টুর্নামেন্ট অসি হয়েং অয়ুক পুং ১০ তাবা মতমদা দিষ্টিয়ক্ট য়ুঠ এফ্যোস এন্দ স্পোর্টস ওফিসর ইম্ফাল ৱেষ্ট এন জি মোটিলাল, দিষ্ট্রিক্ট য়ুঠ এফেয়রস এন্দ স্পোর্টস ওফিসর ইম্ফাল ইষ্ট এস নিরমলাতা অমদি দাইরেক্টোরেট ওফ য়ুঠ এফেয়রস এন্দ স্পোর্টসকী ষ্টোর ওফিসর কে ঐচ শান্তিকুমারনা মথঙশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াগনি।

খুমন লম্পাক মেইন ষ্টেদিয়মদা হয়েংদগী পাঙথোক্কদৌরিবা টুর্নয়ামেন্ট অসিগী চহী ১৭ মখাগী নুপীমচাগী কাঙলুপ্তা টিম তরানা শরুক য়ারি। শরুক য়ারিবা টিমশিংদি কৈবি হায়স্কুল, য়োরবুং হায়স্কুল, মারিয়া মোন্তেশ্বরি, মণিপুর পব্লিক স্কুল, য়ঙ ষ্টার দাইনামিক, নোর্থ ইষ্টার পব্লিক স্কুল, ইমান্যুএল ইংলিস একাদেমি, সি সি হায়ার সেকেন্দরি স্কুল, শওম্বুং হায়স্কুল অমসুং দি এস এ সিনি। অন্দর ১৭ বোইজগী অহৌবা নুমিৎ থা অসিগী ১৫ দা পুন্না মেচ মঙা শান্নগনি।

চহী ১৪ মখাগী নুপাগী ফুটবোলনা থা অসিগী ১৫ দগী খুমন লম্পাক হোকি প্রেক্টিশ ফিল্ডদা চত্থবা হৌরগনি। নুমিৎ অসিদা অন্দর ১৪ বোইজগী পুন্না মেচ মঙা লৈগনি।

## ইন্দিয়ানা এসিয়ন কেদেট রেষ্টলিং চেম্পিয়নশিপকী অহানবা নুমিত্তা মেদল ৫ লৌখ্রে

ন্যু দেল্লি, জুন ১২ ঃ

মফমঅসিদা ঙরাং হৌদোকখিবা এসিয়ন কেদেট রেষ্টলিং চেম্পিয়নশিপ্তা ইন্দিয়ানা পুন্না মেদল ৫ লৌদুনা য়াম্না শিংথানিংঙাই ওইবা পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমখিবগা লোয়ননা চেম্পিয়নশিপ অসি হৌদোকপা নুমিৎমক্তদা অরুন কুমার অমসুং প্রদিপনা গোল্ড মেদলশিং লৌবা ঙমখি।

ফ্রি ষ্টাইল ইভেন্টকী কেজি ৮৫ গী কেটগোরিদা চাংদম্নরিবা অরুননা ইরানগী সেরদাবোল ফাজল হসেমিজোবারবু য়াম্না নকশিন্ননা ৭-৬ কী স্কোর লাইন্দা চেম্পিয়ন ওইখি। প্রদিপনা য়াম্না দোমিনেট তৌবা মওং অমদা জপানগী টাকাসাকি সানসিরোবু কেজি ৫০ গী কেটগোরিগী ওইনা দ্রিকো রোমান ষ্টাইলগী ফাইনেলদা ৬-০ দা মায়থিবা পীখি।

অনু দেবীনা নুপীগী কেজি ৪০ গী ফ্রি ষ্টাইল ফাইনেলদা কোরিয়াগী মুন সু জোংগী মখুত্তা মায়থিবা নংলবা মতুং সিলভর মেদল ফংখি। নাসির হুসেন্না ফাইনেল বাউটতা ইরানগী নইম হাসনজাদেগী মখুত্তা মায়থিরবা মতুং কেজি ১০০ গী ফ্রি ষ্টাইলদা সিলভর মেদল ফংখি। অনকুসনা নুপীগী কেজি ৩৫ গী ফ্রি ষ্টাইল ইভেন্টতা ৩ শুবা তাহৌরবা মতুং ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি। সিমিজু মিয়ুনা গোল্ড মেদল অমসুং অলমাগনবেটোবা লোরানা সিলভর মেদল ফংখি।

## মিষ্টর ইম্ফাল ৱেষ্ট পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, জুন ১২ ঃ

মণিপুর অমেচর বোদি বিল্ডরস এসোসিএশন (মাবা) গী মীৎয়েং মখাদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট অমেচর বোদি বিল্ডরস এসোসিএশন্না শিন্দুনা মথঙ থাগী ১২ দা মিষ্টর ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট বোদি বিল্ডিং চেম্পিয়নশিপ পাঙথোক্লগনি হায়না এসোসিএশন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি আর কে রাখেসনা খঙহল্লক্লি।

সগোলবন্দ সয়াংদা লৈবা উষা ভাবন কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোক্কদৌরিবা মিষ্টর ইম্ফাল ৱেষ্ট বোদি বিল্ডিং চেম্পিয়নশিপ অসিদা শরুক য়ানিংবা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী বোদি বিল্ডরশিংনা এসোসিএশনগী জেনরেল সেক্রেটরি আর কে রাখেসকা উন্নদুনা অকুপ্পা মরোল খঙলবা য়াগনি হায়রি।

# টিম চেম্পিয়ন ওইরকখ্রবা মণিপুর মুইএ থাই শান্নরোইশিং ওল্লগনি

ইম্ফাল, জুন ১২ ঃ

হৌখিবা মে ২৫ দগী ৩১ ফাওবা বেঙ্গলোরদা লৈবা কান্টিরবা ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকখিবা ১৬ শুবা এন টি আই নেশনেল মুইএ থাই চেম্পিয়নশিপ ২০১৫ দা ওভর ওল টিম চেম্পিয়ন ওইরকখ্রবা শান্নরোইশিং ওকপগী থৌরম অমা থা অসিগী ১৪ গী অয়ুক পুং ১০ তাবা মতমদা কান্তো সাবল ইঙৌরোক লাই তম্পাক্তা পাঙথোল্লগনি।

চেম্পিয়নশিপ অদুদা মণিপুরগী ওইনা ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং ইম্ফাল ইষ্টকী শান্নরোই নুপীমচা ১৪ নুপামচা ১৭ না শরুক য়াখি। চেম্পিয়নশিপ অদুদা মণিপুর টিমগী মেনেজরনা উশম শান্তিকুমার লুৱাং, টিম কোচ ওইনা এম দি অলাউদ্দিন লোয়ননা মুইএ থাই ত্রেনিং স্কুল ইম্ফাল ইষ্টকী সেক্রেটরি থাংজম ইনাও মীতৈনা ওফিসিএল ওইনা শরুক য়াখি।

চেম্পিয়নশিপ অদুদা মণিপুরনা গোল্ড মেদল ৩০, সিলভরমেদল ১৪, ব্রোঞ্জ মেদল ৩ ফংলকখি। নাওরেম মোনিকা চনুনা বেষ্ট ফাইটরগী মনা লৌবা ঙমদুনা মণিপুরগী মীংচৎ পুদুনা লাকখি। বেষ্ট ফাইটর তারকখিবা শান্নরোই নাওরেম মোনিকা চনু ইম্ফাল ৱেষ্টকী কান্তো সাবলদগীনি।

থা অসিগী ১৪ দা পাঙথোক্কদৌরিবা মুইএ থাই শান্নরোইশিং ওকপগী থৌরম অসিদা হৈস্নাম শান্তিকুমার মীতৈ, খুরখুরল গ্রাম পঞ্চায়েটকী প্রধান খাঙেম্বম ওংবী ধনবতি দেবী, নোংথোম্বম গুনমনি, করাম ওকেন্দ্রো, অমসুং লাইশ্রম ব্রোজেননা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনরওইনা শরুক য়াগনি।























Printed, published by Soubam Niladhaja Singh owned by Soubam Niladhaja Singh published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal-795001 & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal, Pucca Building, Ground Floor (Manipur)
Editor : Hemantakumar Ningomba; RNI Registration No. 40746/1978; Tel # (0385) 2440771/2445104 (Advt. Section), (0385) 2445106 (News Section), +91-(0)9856594262 (Readers Care Number), e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com MNP-409, website:www.hueiyenlanpao.com